ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯢ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯷ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, সেপ্টেম্বর ০২, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৫৭শুবা মশীং

# ৱার ওন দ্রগস কেম্প্যেন

## ওপরেশনদি মায় পাকপা, অনাবনা হিংদবা

মণিপুরদা ‘ৱার ওন দ্রগস’ কী কেম্প্যেন চথরক্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়াম্না শিৎ নান্না খঙই। মণিপুরগী মীয়াম খক্তা নত্তনা কেম্প্যেনসিনা লেপ্তুনা চথরকপনা লৈবাকসিগী মীয়ামদগী হেন্দোরক্তুনা মালেমগী মীয়াম ফাওবা খঙবা য়াওরম্লগনি। লৈবাকসিগী অৱাং নোংপোক চিদাই খম থেংবদা ম্যান্মারগা তাইননা লৈবা ষ্টেট অমদা লৈবাকসিগী লোনা য়াদবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা অকনবা লান অমা শোক্লরি হায়বসি খঙদবা য়াওরমগদবা মান্দ্রে। মরমদি লান অসি কুমজা ২০১৮দগী চঙশিল্লকপা হৌরকখিবনি। মণিপুরগী মমাঙগী লৈঙাক্লা হৌদোরকখিবনি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লসু অমুক মখা চথরকপনি। অদুগা ইল্লিগেল দ্রগশিংনা পীকখ্রবা ষ্টেটসিদা ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিংদগী তঙাইফদনা লান অসি চঙশিল্লক্তবা য়াদবদগী চঙশিল্লকখিবনি। লান অসি চঙশিল্লকপদগী মসিগী লানবাউ তাদবা, খঙদবা লৈরক্ত্রে। মায় পাকপগী লম্বীদসু চঙশিল্লক্লে। মসিগী কান্নবা কয়াসু ফংলে। য়াম্না ফৈ, অফবা থবকনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগীদি লান অসিগী ফীভমসি য়াম্না হৈবা ফুটবোল প্লেয়র অমনা লমজেলসু য়াঙবা, প্লে গ্রাউন্দদা বোল কোইপু পুরগসু চৎপা ঙম্বা, মীনা মুলহনবসু ঙমদবা, মতাং চানা পাস পীবসু হৈবা অমসুং ঙম্বা, ফজনা কাওবসু ঙম্বা অদুগা গোল চনবদি হৈতবগী ফীভমদা লৈরে হায়বদা লানগদ্রা? হেন্না হায়জিনবা ওইনা থোক্কদ্রা? ৱাহৈসিমক হায় হায়দুনা শোক্লরক্লিবা লানসি অফবা অমসুং অচুম্বা লান নত্তে, চথরোইদবনি। মায়থীরগনি/মায় পাক্লোই হায়দুনা লানগী লম্বী থৎপা, খুরৌ থাংবগী ৱাদি নত্তে। অহোবা, অশোয়বা থৌশিল খরা য়াওরে হায়বগী ৱানি।

মরমদি, অহোবা/অশোয়বা য়াওদ্রগবু কুমজা ২০১৮দগী শোক্লরকপা লানবু হৌজিক চহী ৪ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা মপূং ফানা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? অকনবা লান শোক্ল-শোক্লনা ঙাইহাক লৈতনা হিরোইন নম্বর ফোর, আইস দ্রগ, এস পি কেপস্যুল, দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং ফাগৎপদগী হেন্দোরক্তুনা দ্রগ শুংনবা ফেক্টেরিশিং থুগাইবগী থৌদোকশিং থোক্লিবা করিগীনো? মসিদি অহোবা লৈবদগী ওইরোইদ্রা? হায়বদি ৱার ওন দ্রগকী কেম্প্যেনসি ঈশিং ফাওবা লিৎপা ঙমদবা/লিৎহন্দবা লান অমা ওইদ্রে। লানসিগী অথৌবা/অশাংবা থাঙশাং পায়রিবা খূৎকী খুরক্তা অহোবা য়াওরে হায়বনি। অহোবসু খজিক খরাক্তা নত্তে, য়াম্মী। অদুবু লোইনা কোথোক্লুদ্রবসু ইল্লিগেল দ্রগশিং অসিবু পুশিল্লক্লিবা, পুথোক পুশিন তৌরিবা মণিপুরদা পুশিল্লক্লগা মপান্দা অমুক থাদোকখ্রিবা য়াওনা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী অশেংবা মপু (মপি) ফাদোকপা ঙমদে হায়বনি। মমল য়ামখ্রবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অসি লল্লোনবগী থবক অপীকপা শেনফম খরনা য়াগদ্রা? দ্রগশিং অদু ম্যন্মকার রোমদগী পুশিল্লক্কদৌরিবনি অদুগা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা অমুক থাদোকখিগদৌরিবনি। মসিগীদমক মখল কয়াগী গাড়ীশিং শেমদোক-শাদোক্কদৌরিবনি। পুথোক-পুশিন তৌননবা মী নেক্কদৌরিবনি। হায়রিবা থবকশিংসিদা চঙবা শেল থথাগী নত্তে, শেল অঙাং নত্তে। অদুবু পুথোক-পুশিন তৌবা মীওই (কেরিয়র) খরা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা কোন্ননা ফাগৎলগা, মখোয়গী মথক্তা কেস লৌখৎলগা ৱায়েল চথদুনা ফাদোক পীরগতা য়াদে। থবকসিদগী অয়াম্বা শেন্দোং তাল্লিবা মীওইদুদি লানসিগী থাঙ মতোন্না ফাওবা লাম্বা ফংদবনি। মহাক্লা শীজিন্নবা মীওই খরা ফাগৎখ্রবসু অতোপ্পা অনেকমল পীরগা য়াবা মীওইশিং অমুক শীজিন্নরক্কনি। মসিনা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাবগী থৌদোক লেপ্তুনা থোক্লিবনি। লৈরিবা অহোবসি লৈহনগনু। পোপি পাম্বীগীসু অদুমঙাই, পোপী মরূ লৈরম্লে, জঙ্গল কোকথোক্লম্লে, শঙ শারম্লে হায়দুনা মৈ থাদোক্লগা ফোটো নম্লগা লাকপদুনা য়াখিরোই। মপী ফাদোক্লবা মনুং হঞ্জিন্না ইনভেষ্টিগেসন চথবা মথৌ তারি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১) ‘‘**লাইধি জাগোয়গী চীন্থাং ৱারী**’’ হায়বা লাইরিক অসি কনানা ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) ‘‘**মেনকাগী মচানুপী**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

৩) ‘‘**নিতি লীলা দিবারাস**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) ‘‘**পুন্সি অমসুং তিংখং**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ‘‘**অশংবা চীংমায়শিং/অমুবা ফিজোল হোংদোকখ্রবদা/কায়রক্লে ঋতুগী খোঙচৎ/ঈচেল লেপখ্রে তুরেলশিং/চেল্লক্লে লৈক্রক্কী ঈচেল**’’ শৈরেং অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মমাঙঙৈগী মতমশিংদো নুংশিবনি, ঙসিদি ঙম্না মাঙখ্রে

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুর হায়না মিঙ্গৌনরিবা পীল্লবা ইরৈবাক-ইরমদম মচাসি মমাঙঙৈগী মতমদদি অসুক্কী মতিক মীশিং য়াল্লমদে। অদুগা চাবীনীংঙাই-শেৎপীনীংঙাইসু অসুক্কী মতিক মশীং লিক্লম্মী। চাবীনীংঙাই অমসুং শেৎপীনীংঙাই মশীং লিকপা হায়বসি মশানা অদুম্মক লমদমদু অৱা-অনা থোইনা য়াওদবা, অৱাৎ-অপা লৈতবা লমদম অমা হায়বদু ওইরম্লদৌনি। ইরমদম মণিপুরসি মতম অমদা শুপ্পগী মপাঙ্গল ফবা নুপা অমখক্লা শুরগা ময়ায় ওইরপ্লা চাউবা ইমুং অমদি মথন্তনা ইরায় লায়না থাকপা ঙল্লম্মী। মতমদুদদি মীশিং য়ামদবনিনা লৌ-শীং উবা য়াবা মফমশিংসু অসুক্কী মতিক মরাং কায়না হেন্দোক-ফাদোক্লা লৈরম্মী। মতমদুগী ইচম-চমজবা অমসুং লৌথুপ-লৌকোই লৈনদনা হিংনবা পুন্সি মহিংশিংদু হৌজিক ওইরিবা মণিপুরী খুন্নাইসিগা চাংদম্লদুনা য়েংলুবদা কয়াগী মতিক খেন্নরিবা? মতমদুগী থৌদৌশিংদু হৌজিক্তা ঐখোয়না নীংশিংনবদা কল্লক্লফম ওইরি। মীশিং য়ামদ্রিঙৈ মতমনিনা অমগা-অমগা নীংঙাই শংদান্নবা, কল্লক-য়েংথীনবা অমদি মলোম থম্লবগী ৱাফমশিংসু অমত্তা লৈনরমদে। অদুগা খৎন-চৈনবা অমদি হুরান-চিন্থিগী থবকশিংসু মতমদুদদি খঙনবা পোৎ ওইদ্রি। মসিবু নত্তৱ্রো মালেমগী লৈমায়থকসিদা বীশ্ব হিন্দুশিংগী নন্দন-কানন হায়নরিবা মফমদুগা চাংদম্লবা য়াবা অনৌবা মফম অমা হায়বদু মণিপুরসিনা? ইশম হেক শম্না হায়রবদা, ইরমদমসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমকসি মতমদুদা নুংঙাইনা অমসুং ঈংনা-তপ্পা শোয়দনা হিংনরমগনি সিনি। হৌজিক্কী মীরোলসিনা অসুক্কী মতিক কল্লকচবা ৱানি। মতমদুগী মতুং কাইনথং ফাওবদা ইরমদমসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমকসি ৱাঙাঙ-ৱাতা ফজবদা অমসুং থোৎনা-মেঙনা ঙাঙ-শকপা হৈবদা মপা লৈতে ঙাঙনরম্লিবনি। মসিবুনি অইবনা মমাঙঙৈগী মতমশিংদু নুংশিবনি হায়দুনা শৈথারিবসি।

মতমদুগী হুৎ লৈথরকপদসুনি মতম অমগী শেংলবা ইপা-ইপলশিংদুগী ঈগী ঈচেলশিংদু কনামত্তনা মোৎহনবা ঙল্লমদ্রি। পুকচেল চাউবদা লম্বা খক লৈরমদে। লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংদুনা চাওরম্বা পুকচেল খূৎচাউশিংদু ঙসিসু লমদমসিদা কনামত্তনা চাংদম্লবা খক ঙমদ্রি খল্লি। মখোয়গী মতৌনি ঙসি ঐখোয়না তম্বা ঙম্ননবা হোৎনরিবসি। শুপ্পগী শরেং চরা অমখক হাউনা পীজ হল্লগা লৌ লৈজদবা মীওইশিংদা লৌ শঙম অমমম লেম্না পীথোক্লম্মী। তশেংনা লৌ উজনীংঙাই লৈজদবা কাঙবুশিংদা লেম্না তেংবাঙবীবনি। অসুম্না ঐখোয়গী ইপা-ইপলশিংদুনা কথোকপা ঙম্বগী পুকচেলদুদি ঙসিসু ঐখোয়না চপ চানা থাগৎলি। অসিদসু নত্তে, মখোয়না নুংশিদুনা শৈদাংহল্লুবা মীতোপ-মীয়ানচাশিংগী ৱারী ঙসিসু লোইবা নাইদ্রিবসিনি। মীতোপ-মীয়ানচাশিংনা তুংদা করি ওইরকখিবা অমসুং ঐখোয়না করি ওইহৌবা হায়বা হীরমশিংসিদসু মমুৎ তানা খঙজিনমিন্ননীংঙাই ওই। ‘‘য়ূমদাংবনা কৈনাইবা’’ অমদি ‘‘শাইদাংবশিংনা য়ূম্নাইবা’’ হায়বনচিংবা পাউরৌশিংসিগী ৱাহন্থোকশিংসি মমুৎ তানা খঙজিনমীন্নফম থোকই। অশেংবসুনি, মশাগী অশেংবা ময়ূম-মকৈ লৈজদবদগী মীগী ময়ূমদা তাংদুনা লৈরিবা মীদুবুনি ‘য়ূমদাংবা’ হায়না ঐখোয়গী খুন্নাইসিনা খঙনরিবসি। অসুম্না, মীগী য়ূমদা তাংদুনা লৈরগা থবক শুদুনা অমদি লল্লোন-ইতিকশিং তৌদুনা ফৌ-চেঙশিং হাপ্পগা চাবগী খোঙফমদা লাক্লবা য়ূমদাংবশিংদুগী মরমদনি ‘য়ূমদাংবনা কৈনাইবা’ হায়বা পাউরৌসি লৈরম্লিবসি। ফীভম্না য়ূমদাংলিবা মশাদুগী ফৌ-চেঙশিং থম্ফম লৈরক্তবদগী ফৌ থম্ফম-শঙ ‘কৈ’ অমা শাদুনা থমদবা য়ারক্ত্রবা য়ূমদাংবশিংগী ফীভমশিংদুমক খঙহনবনি। পাউরৌসিনা হায়রিবসি, য়ূমদাংবনা ফীভম ফগৎলক্তুনা কৈ নাইদবা (লৈতবা) য়ারক্তবগী ফীভমদা লাকই হায়বদুনি। মসি ফাওবদি হায়না-হায়না খরবু খরিবনি, ফীভমসিদগী হেন্দোক্তুনা শাইদাংদুনা লৈরম্বা মীওইশিংনা য়ূম মপুশিংগী য়ূম লৈরকপগী মতাং অসিৱাইদনি ‘শাইদাংবনা য়ূম্নাইবা (য়ূম-নাইবা)’ হায়নরক্লিবসি। ফজদ্রা ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী পুৱারীসি? অদুবু, ফনা ওইদুনসু লাইওইখ্রবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংদুনা পুকচেল চাউবা উৎপীরম্বদগী য়ূমদাঙবা অমসুং শাইদাংবশিংনা খুদোংচাবা লৌবা ঙল্লকপনি, থৌদৌসি অফবা নত্তে হায়বরোমদা ওইনা থোকহনখিবদি ফজরোই। অসুম্না, অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু, মীঙোন্দা তাইনরুবগী ৱাফমসিমদি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক খন্নগুমসি। মীরলে-মীরোলগী মতমশিংদা ৱাখল-লৌশিং চপ মান্ননা, খেন্নবা অমত্তা লৈতনা চপ মান্ননা হিংনবা হায়বসিদি ওইথোক্তবনি। পূম্নমকসি নংশিংলুবা অমদি চাংদম্নরুবদা ইরমদম মণিপুরনা মমাঙঙৈগী মতমদা ওইরম্বা ফীভমশিংদুগা ঙসি ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমশিংসিগা অসুক্কী মতিক খেন্নরে হায়বসি চপ চানা খঙবা ঙম্মী। খেন্নবশিংসিননি পূক্লিংদা নুংশিবসু ফাওহল্লিবসি। অদুবু পূম্নমকসি ওইদুনসু মমাঙঙৈগী মতমদা ইপা-ইপুশিংনা চৎলম-ঙাঙলম্বশিংদুগী ৱাহন্থোকশিংদুদি ঐখোয়না লৌশিনবগী ঙসিসু খক লোইবা নাইদ্রি।

তশেংনা হায়রবদা মমাঙঙৈগী মতমদা লৈরম্বা ইরমদমসিগী অহল-লমনশিংদুগা হৌজিক্তা ঐখোয়না হিংমিন্নরিবা মীরোলসিগী অহল-লমনশিংসিগসি খেন্নবা কয়ামুক লৈ। খেন্নবশিংসি শোয়দনমক্কী লৈফমসু থোকই। ঙসিদগী মীরোল খরগী মমাঙ, কম্প্যুটরগী ওইবা থৌদৌশিং অমত্তসু লমদমসিদা লৈরমদে। মতমদুদদি লৈবাকসিগী রেকোর্দ খুদিংমকসি ওফিসকীসু, লন্নাইগীসু মেনুএল্লি তৌনরম্বা ঙাক্তনি। মতমদুদা, কম্প্যুটরগী নোলেজ য়াওদবা ঐখোয়গী মমাঙগী মীরোলশিংদুনা মেন্যুএল ওইনা মতৌ করম্না লৈবাকসিগী য়ামখ্রবা রেকোর্দ ময়ামসি মেন্টেন তৌরম্বনো হায়বসিসু অঙকপা থৌদৌ অমনি। মতমদুগী মীরোলশিংদুগী থৌদাংশিংদু তশেংনা কাউথোকপা শুকঙম্মক ঙল্লরোইদবা অমনি। মতমদুদা হীরম খুদিংমক্তা এক্সপরিএন্সনা থল্লবা ৱাখল্লোন কয়ামুক্লা নোলেজশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা তৌথোক্লকপা থবক খূৎতৌশিংদু ঙসিসু অদুম্মক মীপূম খুদিংমক্লা ইকায়খুম্নরি অমসুং অৱাংবা থাক্কী থৌদৌনি হায়না লৌনরি। সিগুম্বা থৌদৌশিংসি এক্সপরিএন্স য়াওদবা য়াবা নত্তে। ঐখোয়না মমাঙঙৈগী মীরোলশিংদুনা তৌরম্বশিংদুগী মখাদু হৌজিক্তা কম্প্যুটরগী মতেংনা চথহৌবা খক্তনি। মমাঙঙৈগী ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা তৌরম্বা থৌদৌশিং ঐখোয়না মতৌ তম্বগী মথৌ তাবা কয়ামরুম অমসু মশীং থিঙমদনা লৈ। ওফিসকী থৌদৌশিং নত্তবদসু ঐখোয়না মখোয়গী মতৌ তমজবা য়াবা হীরমশিং কয়ামুকসু লৈ। মতমদুগী মীওইশিংনা হায়খিবা ৱা অমসুং লেপখিবা ফিরেপ হোংদবা অমদি অপাম্বা পোৎশকশিং ফংনবা তানবদা তূম্বা-চাবা খঙদবা মখৈ ফংদ্রিবা ফাওবা হোৎনবগী হৈনবীশিং লৈরম্মী। ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংদুদা মীয়াম্না থাজবা চপ চানা থম্মী হায়বসি ঐখোয়না খঙলবনি। মখোয়গী চেকশিন্না থাংবা খোঙথাংশিং ঐখোয়না পুন্সি চূপ্পগী ওইনা মতৌ তমজনীংঙাই ওই। পুন্সি চূপ্পগী ওইনা ওইদবা ৱা ঙাঙবগী হৈনবী লৈরমদবা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনি। অসুম্না হীরম খুদিংমক্তা মশাগী হোংদবা ফিরেপশিং চপ চানা লৈবসিনসু চপ চানা মতম লৈবা খিবিক্তা মখোয়না মায় পাকপদা ওইরম্বসু য়াই। অসুম্না মমাঙঙৈগী ঐখোয়গী অহল-লমনশিংগী মচৎ-মওংশিং মুন্না য়েংশিল্লুরগা খক কাউবা ঙমদবশিং ঙাক্তা ওইরকই। শুপ্পগী মখোয়না মালেমসি থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদা খক্তা মখোয়দগী ঐখোয়না তমহৌগদবশিংদু ময়েক শেংনা খঙলকই। হৌজিক্তি মালেম ফম্বাকথকসিদা মখোয় অমুক হন্না লাক্লরোই। মিৎকুপসি খক্তদা ঐখোয়না মখোয়বু তকসি শোন্দুনা খাঙহৌবা ওইনা থোক্লে। মসিনি তাইবঙ মীওইবগী মপোকসিগী হৌনবী। হৌখ্রবা মতমগী মপূং ফারবা অহল-লমনশিং কয়ামুক্তুগী মনাক মতম চানা নকপা ফংজহৌদবগী চৈনাসি ঙসিদি য়াম্না ময়েক শেংনা হেঙ্গৎলক্লি।

ইরমদম মচাসিদা লাইরিক হৈবা মীওইশিং থুংলদ্রিঙৈ য়াম্না চম্না পান্নরম্বা অমসুং য়াম্না চম্না লেন্নরম্বা মতমদুগী পুন্সি মরেলশিংদু শোয়দনমক্কী অসুক্কী মতিক নুংঙাইরমগনি। মতম অমদা, ইরমদম মণিপুরসিনা মীশিং য়ামদ্রিঙৈ, অহাঙবা লৌবুক-লম্ফাংশিংনা য়েংখি-য়েংখিবা মায়কৈশিংদা মীৎয়েং তামখিদ্রিবা ফাওবা শন্দোক্তুনা লৈখ্রিঙৈ মতমদুদা হিংনরম্বা পুন্সি মহিংশিংদু কয়াগী মতিক নুংঙাইরমগনি? চাবীনীংঙাইগী চাংদগী পোখোক্লা য়াম্না হেন্না মরাং কায়না থোক্লরিঙৈ শুবা য়াবা পুংশিং খরদং মনীং তম্না, মীখা পোন্দনা শুরুরগা হল্লক্লগা য়ূমদা চানীং-চানীংবদা চাদুনা মনীং তম্না মীপূম খুদিংমক্কা লোয়ননা হরাউ-হরাউ তরাম্না লেনমিন্নবা পুন্সি মরেলদুদগী হেন্না নুংঙাইবা পুন্সি অমমুক কদাইদা লৈরমখিগনি থাজদে। মতমদুদা পোকচরম্বা ইরমদমসিগী মীপূম খুদিংমক্তু লোইনমক মরাইবক ফরবশিং ঙাক্তনি। হৌজিক্কী ২১শুবা চাওখৎপা লোইশিল্লক্লবা মতমসিগী পুন্সিনা মতমদুগী পুন্সিদগী করি নুংঙাইবা হেল্লমগদৌরি? হৌজিক শেঞ্জাও পায়বশিংনা শেল থম্ফম লৈতবদগী মরন্নাইগী ওইনা বেঙ্ক ফাওবা হাংদোক্তুনা শেল থম্নরবা মতমসিদা মশীং থিঙমদ্রবা মীয়াম অমনা ঙসিগী মালেমগী লৈমায়থকসিদা চাবা ফংদবগী খক শিনরি। হৌজিক্কী মতমসিগী পুন্সি মখলসি করম্বা হিসাবতা পাবদা তশেংনা নুংঙাইবা পুন্সি মখল অমা হায়বদু কৌগদৌরিবনো? মালেম ফম্বাকথকসিদা তাইবঙ মীওইবনা পাল্লকপা চহী লিশীং অনী হেনখ্রবসু ঙসি ফাওবদা তাইবঙ মীওইবা কৌবা কাঙলূপসিনা থোং মান্ননা হিংমিন্নবা পুন্সি মহিং হায়বদুদি পুথোকপা ঙমদ্রি। হৌজিকসু লায়রবনা চানীংঙাই লৈতবদগী মীওই কয়ামরুম শিনরি হায়নরিবসিনি। ●

# নুমিৎ নীনিগী মতুংদা পুং ১ খক পীরিবা থক্লবা ঈশিং

## (অসিগুম্বা লৈঙাক্কী থৌশিলসি মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতে)

— কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) —

ঙসি ওগষ্ট থাগী তাং ২৬নি। ইরাই নুমিৎনি। অয়ূক্কী পুং ৭.১১দগী ৮.১১ ফাওবা থক্লবা ঈশিংদু পাইপতা থারকখি। টুলুনা ঙাইরগা চিংবনি। থৌওইনা ঙাইরগা চিংবনি। ঈশিংগীসু মতম য়াম্না মাঙহল্লিবা, চাওখৎখিদ্রবা ইরমদম, সনা মচুগী, করপসনগী কোল্লিং কারবা লমদমনি। লৈরকসিগী পাইপ অসিসু ঐহাক্লা কুমজা ১৯৯৪দা Shri Shrivastava, Advisor to Governor (President Rule) গী মতমদা শিনখিবনি। মসিগী মমাঙদনা ঐহাকপু তাইবঙপালসিদা পুবিরকপা ইপা ইবুংঙোনা লৈরক্কী পাইপতু পুশিল্লমখি। ইপা ইচাসি মৈ মম্বা পামদে। ঈশিং ৱাৎপা য়াদবা মীওইশিংনি।

কুমজা ১৯৯৩গী জুলাই থাদা মণিপুরদা পোষ্টিং লাকখিবনি। চহী ৩০ হেন্না মপালদা লৈরুরগা পোক্লফম লমদম অসিদা তৌরল্লিবা, চৎনরিবা, হিংলল্লিবা পুন্সি মহিংসি য়াম্না ঙকখি। খুন্নাইসিগী চৎনবীসি মালেমগী মফম অমত্তদা চৎনদে। ইচম চম্না দিসিপ্লিনগী পুন্সিদা হিংলকপা ঐগী পুন্সিদদি য়াম্না চমম্লনা নুংঙাইতবা ফাওখি। করিনোনে খুন্নাইসিবু হায়না তোয়না ইতোমতা হংজখি। অচুম্বা-অশেংবসি অমত্তা লৈরমদে হায়বা য়ারি। থবক অমত্তদা ত্রান্সপরেন্সি লৈরমদে, হৌজিকসু লৈতে।



পাওনম অগনি

ঐহাক্কী লৈকায়দি ৱাংখৈ তোকপম লৈকায়নি। মরক-মরক্তা ছুটি নুমিৎ খরনিগী য়ূমদা থোক্লকপদা নুমিদাংদা মৈ মম্বদা য়ূম্নাম লৈকায়দা লৈবা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী ওফিসতা চৎলগা কমপ্লেন্ট তৌবা চৎখি। মৈ লাকহনখি। তূল্লিবা খুন্নাই অসিদদি হৌদোক্তবা য়াদে। হৌগৎলো, ফজবা ৱাহৈদা নথৌ তৌ হায়বা অমা চঙই। লৈঙাক চলাইরিবা মী মকোক্তগী মখা থাবশিংনা মশাগী মথৌসি থম্মোয় শেংনা কৎথোকপগী পুকচেলগা লোয়ননা থবক অমত্তা পাঙথোক্তবদগী ইরমদম অসি মীতোপ্পা ইকায়খুম্নদ্রিবনি। ইশাগী ঈজৎ থমদ্রিবসি করিগীনো?

চহী ২০০০ হেল্লবা কলচরেলগী জগোয় ঈশৈ, পোলো (শগোল কাংজৈ), শান্ন-খোৎনবা, মকোক ওইরিবা লমদমনি হায়দুনা পোংজ-চাওরিবা ফম্নাইবশিংনা মখৌ পোংনা খুনুদৌনা খোংলি। চহী ২২ হেল্লে লম্ফেলপাৎকী ৱাটর বোদি অদু চেদা অদুম য়েক্লগা লৈরিবরা? ৱাটর বোদি অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমলোইদবা ওইরবদি করিগী প্রজাদা মীনল্লি? গভর্ণমেন্টকী ৱেষ্ট লেন্দ পূম্নমক মপুন্সিদু মীরেম ওইনা লোইখিগদৌবা মীওইশিংনা খোৎপচিনখিবদু ককপীয়ু। ৱাটর বোদিগী এরিয়া অদু কনানা মথক কাবদা পুখিগদৌবা য়াওবগে?

ঈশিং খৌরাংলিবা প্রজাবু ঈশিং ফাওবা পীবা ঙমদবসি কয়া য়াম্না মতিক চাদবগে হায়বদু খন্থবীয়ু। ৱাফম অসি ঙসি ঙরাংগীদা নত্তে। মতিক চাদবসি চহী ২০০০গী মমাঙদগী ওইরক্লবনি। করিগীনো প্রজা মীয়াম্না লৈবাক্কী-প্রজাগী য়াইফবা থৌদাং পাঙথোক্কদৌবা মীওইশিংবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা পুথোকপা ঙমদ্রিবসি? অশোয়বসি কনাগীনো? অশোয়বা মপূং ফাদ্রিবা মীওইদগী করি অফবা উগদগে?

ৱাটর টেঙ্কশিংদগী চহী কয়া ঈশিং লৈরগা হিংখিগনি? থা ৫/৬ নোং তারিবা লমদমসিদা ‘ৱেন-ৱাটর-হার্ভেষ্টিং’ করম্বা প্লান শেল্লগা নোংগী ঈশিং তুংশিনবীরিবগে? ৱাটর রিসোর্স দিপার্টমেন্ট অসি ফেল ওইদুনা লৈরক্লিবা লৈতেংগী অকংবা লৈ অমগুম্বনি। থক্লবা ঈশিং ফাওবা পীবা ঙমদবসি ওফিস অদুগী মীশিংনা থাগী ফংলিবা তোলোপ্তু ইকায়বা ফাওবিদবরা?

আইজোলদা, কোহিমাদা, ইটানগরদা, শিলোংদা, গেংটোক্তা, গুৱাহাটিদা, দেল্লীদা, মুম্বাইদা, চেন্নাইদা, কোলকটাদা পুং ২৪ পাইপকী ঈশিং তারি। ঈশিং ফাওবদি মীয়াম্না মরাং কায়না ফংলি। করিগীনো মণিপুরদনা ৱাটর মেনেজমেন্ট ফাওবসি ফজনা পাঙথোকপা ঙমদ্রিবসি? মসি কনাগী অশোয়বনো? করম্বা মখলগী লৈঙাকশিংনো?

মফম অয়াম্বদা পাইপ অচৌবশিংসি য়ুরি, হোরি। অরেম্বদা ঈশিং য়াম্না মাঙহল্লি। অচৌবা পাইপতগী লোন্না ঈশিং হুরানবসু য়াওরি। মণিপুরদদি হুরানবসি লমদসুনি, ঈশিংদসুনি, মৈদসুনি, পোৎ চৈশিংদসুনি, লমচৎ শাজৎতসুনি। মণিপুরদা হিংলিবা ঐখোয় পূম্নমক্লা লিংজেল চপ মান্ননা, হুমাং তানা থবক শুরবদবু করিগী মীপাল তাংলুগনি?

প্রজাসু ঈশিং মাঙহনবীগনু অরেম্বদা। টেপ পানবীয়ু। থক্লবা ঈশিংসি মালেমগী ওইনা নোংম-নোংমগী ময়েং তারক্লি। ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতুংইন্না অহোংবসি য়াম্না লাক্লি। আর্মিদা লৈরিঙদা শ্রী লঙ্কাগী জঙ্গলদা ওপরেসন চথবদা নুমিৎ ১৫ মুকসি ঈশিং গ্লাস অমা ফাওবা মপূং ফানা থকপা ফংখিদবা য়াওরকখি। ইশামকসি লায়রবগী অৱাবগী মৈরিনা থম্মোয়দা চাকথেকখিবা, সর্ভিসকী মতমদনা খ্বাইদগী অৱাবা থবকশিং পাঙথোকখিবা অমসুং শোয়নাইরবা ইরমদম অসি মতোমতা অমুক্তা লেপচনবা খনবদা হিংফম খঙদে।

পুখ্রি মশীং হেনগৎহনসি। ৱাটর টেঙ্কতগী ঈশিং লৈরগা থকপা হৌজিক চৎনরিবা অমসুং হিংলিবা পুন্সি মহিংসি অফবা নত্তে। লৌবুকশিংদা চহী চূপ্পা মহৈ মরোং থাবা য়ানবা ইরিগেসন কেনেল সিষ্টম ফগৎহনসি। লৌবুক্তা পুখ্রি অচৌবশিং মশীং খঙদনা তৌসি। দবল, ত্রিপল ক্রোপিং থাননবা হোৎনসি। মহৈ মরোং, ফৌ-চেঙ, মনা-মশিং মরাং কায়না পুথোকসি। পোথোক হেনগৎহনসি। থবক কন্না শুসি। ৱর্ক কলচর অসি হুমাং তানা থবক শুবদু ওইসি।

কংলৈপাক্তদি কুম্মৈ হরাওশিং, মেলাশিং মীয়ামগী মতম মাঙননবা থবক অমত্তা পাঙথোকপীগনু। ঐখোয় ইশা ইশানা ঐখোয়গী পুন্সি লম্বেল শেমজসি। কনাগীসু মতেং লৌদনবা মওংদা হিংনবা হোৎনসি। মঙদৌনা পুন্সি হিংবা হৌনদে। খুন্নাইসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লুপখরে।

কুমজা ১৯৬০গী মমাঙ অমসুং মতুংদা চৎনরম্বা কংলৈপাক্কী এদ্যুকেসন সিষ্টমগী মরমদা খরদং ঙসি ইজরি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক তম্বা হৌবসি য়াম্না চাওরগা তমখি। মতম অদুদা লৈরম্বা ক্লাসশিং (প্রাইমারি স্কুলগী লেভেলদা) ক্লাস ৱান, টু, ফোর, ফাইভ হায়দুনা লৈরমখি। ক্লাস থ্রীদি লৈরমদে। ক্লাস ৱানদগীনা মঙাশুবা ফাওবসি বেঙ্গলিগী ময়েকসিদা তম্বীখি। প্রাইমারি স্কুলগী লেভেলদা ওল মণিপুরগী বৃটি পরিক্ষা হায়দুনা পরিক্ষা অমা তৌরমখি। ক্লাস থ্রী হায়দুনা লৈরল্লিবা ক্লাসতগী নুংথিলগী ক্লাসতা কারে। ইংলিস সবজেক্টসু এ, বি, সী অলফাবেট তম্বা হৌখি। এনা এপ্পল, বিনা বোল, সীনা কেট হায়দুনা তমখি। এ ফোর এপ্পল, বি ফোর বোল, সী ফোর কেট হায়দুনা তমখিদে। পীশক পীক্লিবা অঙাং অমদা মাদর টঙ লেংগ্বেজ অসি মপূং ফানা তম্বীবা হায়বসি তঙাইফদবনি। ইংলিস লেংগ্বেজ, হিন্দি লোলদা ঐখোয়না ৱাখল খনবা য়াবা হৌনদে। ঙারি চারিবা খুন্নাই অসিদা ইংলিসকী মতৌ তমদুনা ইপা-ইমাবু দেদ্দি, মম্মিগী কলচর অসিদি করম্বা ৱাখলদগী থোক্লকপনো হায়বদু হায়জররোই। ইংলিস ঙাঙবা, হৈবা মীনবু ইংলিসতা মঙ মঙবরা?

হৌজিক্কী মতমদা অঙাংশিংসি করম্বা লেংগ্বেজবু খঙলিবনো? বেঙ্গোলি ময়েক খঙদবা অঙাং য়াম্না লৈরি। মৈতৈ ময়েক তমহৌদবসু য়াম্না হিংলি। ইমুংদা ইংলিসতা, হিন্দিদা লোল ওইনা ঙাঙনরগা লৈবসু কয়া অমা উরি। পাউচেশিং ফাওবসু করম্বা মতমদা, চহীদগী মীয়াম্না পাম্নবা, য়ানগদৌবা লোমদা ফোঙবা হৌরকখিগনি। মতমতনা অহোংবদু শোয়দনা পুরকখিগনি।

খুন্নাই অসিদি লাইরিক লাইশুগী ওইদে। মতুংগী মীহৌরোলশিংগীদমক খনবা মী ইয়াম য়ামদে। লাইরিক-লাইশুদা থৱায় য়াওদ্রবা ইমুং, লৈকায়, মফম অদু কৈদৌনুংদা মীয়াম্না মশক খঙবা ওইরোই। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা ফুরুপ শুনা চাবা মফম অমদা অঙাং অপীকপশিংদু মখোয়গী মমালোলদা লাইরিক তম্বীদ্রি। অঙাংদদি মমা লোলদা তল্লিবা পূম্নমক্তু খঙহনবসি তঙাইফদবনি। মৈতৈ মচা অমনা লাইরিক তম্বদা ইংলিসতা, হিন্দিদা, কুকি মরোলদা, নেপালি লোলদা, অঙ্গামিদা পড়াদু খঙহনবগা মমালোল (মাদর টঙ) দা খঙনবা তাকপীগদৌবনি। অদুনা পীক্লিবা অঙাংবু শোয়নাইহল্লিবসি কনানো? অঙাংদুদি করিসু খঙজদবনি।

কংলৈপাক্কী খুন্নাই অসি ময়েক শেংনা অরংবা, অঙানবা, অফবা, অচুম্বা খুন্নাই ওইহনসি হায়রবদি পীশক-পীক্লিবা অঙাংশিংদগী শেম্বা হৌসি। মীতোপকী মতৌ তম্লগা বর্থদেনচিংবা পাঙথোক্লিবসি খুন্নাইসিগী কলচরেল আইদেন্টিটি নত্তে। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থম্লম্বা চৎন-কাঙলোন পূম্নমক অঙাংশিংদা পীক্লিঙৈদগী তম্বীহৌবনা খ্বাইদগী অফবা ওইগনি। মীতোপকী মতৌ তমলোইসি। ●